# য়েৎনবা লৈতনবা মীতৌ তম্বা তোক্লকসি - ২

ব্রাখল ইহুল
সোরাম ইবোহল লূব্রাং

*ইরমদমগী* খুন্নাইদা য়েৎনরিবসি মীতোপকা নত্তে হায়জখ্রে। য়েলহৌমী নত্তে হায়না য়েৎনবসু নত্তে। য়েলহৌমীদি ওইরগা য়েলহৌমীগী লীচৎ/চৎনরোল চৎকদবসি চৎতে, অদুনা য়েৎনফম থোক্তবদা য়েৎনবা হেক হেক থোকই হায়বসি অদুমক ইখঙ খঙনৈ। শম্না হায়রবদা, মীতোপ লাইনীং চৎপশিংগা য়েৎনবা নত্তে। অদুমনদি ওইরবদা হৌরকফম তিন্নবা, ইরোল-ইয়েক মান্নবা, ফিচেৎ-চাকচা মান্নবা, ঈগী মরী ওইবা খরনা মশানবু পামজবদগী নৎত্রগা মরম খরদগী মীরম লাইনীং চৎলুঙৈদগী খুন্নাইগী চৎনরোলদা শামরক-ঙামরক ওইরকপা মতমদা য়েৎনফম থোক্তবদা য়েৎনবা হায়বদু ওইরকই। হায়রিবসি চাউরাক্লা চহী ৩০০ রোমগী মতমদগীনি হায়বদা খুন্নাইগী অয়াম্বা মীওইশিংনা ব্রাখল অদুম লায়না তাগনি খল্লি। চহী ৩০০ রোমসিগী অঙনবা মতমদনা হৌজিক্কী মতমদা হায়রগনা তৌনীংবতা তৌবা ঙম্বা - হাৎপা তুপ্পা য়াওনা - অদুগুম্বা ফীভমদুদদি পামদ্রবসু পামদে, লাল্লবসু লাল্লি হায়দুনা য়েৎপা ঙমখিদবা মতাং ওইখিবদুগী ব্রানি। নম্ফু হাফুদা চারোল-শুরোল তরুকলোম শুজিল্লক্লবা মতমসিদনা পামদবসি পামদে, নম্ফু-হাফুদা চৎনরম্বসি চৎনফম থোক্তে, চৎপা পামদ্রে হায়বা ঙম্বগী মঙম (মতিক ময়াই) লৈনরকপা মতম হায়বদু ওইরক্লবনিনা নাখে শেংবা মতমদু ওইরক্লে হায়বসিনি খুন্নাইসিদা হৌজিক তারকইবা মমিদি। হায়রিবা ব্রাফমসিসু খঙবদা লুনা থোক্তে। খঙনা-খঙনা খঙশিন্নদবা, উনা-উনা উশিন্নদবা অদুগুম্বা মীওইশিংগী ওইনদি খঙদে। মতাং অসিদা খন্নবা য়াবা ব্রাফম অনীখক্তি লৈ। অহানবদা, ইকায় খাংদগী পংশিন্নবনা হেন্না ফৈ খনবা মীফত্ত লৌশিং লৈবা মীওই খরা। অনীশুবনা, ইচম-চম্না করিনো ইখঙ খঙদনা তুং পংইন্দা ইনবা মীওই খরা হেন্না য়াম্বা। অহানবগীসি খুন্নাইদা চেন চোংদুনা হান্নগী চহী ৩০০ লোমগী ফীভমসি অদুম মখা তাহন্নীংদুনা কন্না হোৎনরিবসি। মখোয়শিংসিনদি হৌজিক্তা মণিপুর কৌরবা লমদমসিগী অদুনি-অদানি হায়দুনা মীতোপকীদা পুশিল্লগা/নকশিন্নরগা মালেমদা লমদমসিবু মশক তাক্লিবনি হায়না চাউথোকচরিবনি। ময়াং লৈবাক্কী/লৈঙাক্কী মনা-মথুম, মীংচৎ কয়া পীরকপবু অব্রাংবা থাক্তা চাউথোকচরিবসি। করিগীনো হায়বদা মীরমগী/মীরৈপাক্কী মশক নায়বা লোইশঙ/লূপ/লৈঙাক্কী থৌপুবা লোইশঙগী ওইনা পীবা মনা-মথুম/শকখঙ চে (সার্টিফিকেট) নচিংবশিংদি মখোয়গী হায়বদি মীতোপশিংগী মনাৎকী ওইবা থবক থৌরম কয়াবু চাওখৎনবা (প্রমোট) থৌরাংশিংগী মনুং চল্লিবনিনা। মখোয়গীদমক্তা চাওখৎনবা তৌবিরিবনিনা ঐখোয়সু মঙাই, ঐখোয়গী ওইবশিং চাওখৎনবা-মালেমদা খঙহন্নবা হোৎনবিরদি শেলবু ওইরবসু, শকখঙ চেবু ওইরবসু অমা নৎত্রগা মতাং মতমগী মতুং ইন্না শেলসু-শকখঙ চেসু পীনীংবা হায়বসিদি মশানা তারবনি। করিগুম্বা হীরম অমত্তদা মরী লৈনদবা মীওই/লূপ অমদদি মীতোপ্না শেল/শকখঙ চে নৎত্রগা অনীমক অমত্তা পীগেসু হায়রোই, পীসু পীরোই। অদুবু শিনফম অমা ওইরগা শেল তান্নবগা, মীংচৎ ফংনবগা (মীরমগী ওইবা মরমদা/হীরমদা) অনী পুনশিনবা ওইরবদি লাইনীংগী মরী ইরৈ লৈনদবসু খঙজিনবা/হৈজিনবা য়াই। শেল তান্নবগীদমক্তদি হেন্না ফৈ হায়দুনা ময়াং লৈবাক্তগী (হায়বদি ইরমদমগী ব্রাংমদগী) তোঙানবা লাইনীং-লাইশোনগী নুপা-নুপী খরা থিজিন-খোঙচৎ ওইনা লাক্লখিবা অদুম লৈখ্রে। হায়রিবশিংসি আর্ট এন্দ কলচরগা হেন্না মরী লৈনবা শিনফম তৌবশিংনা হেন্না খঙলিবনি।

অমুক্কা হন্না পঞ্জরি মদুদি হিন্দু অশেংবগা য়েলহৌমী ওইরিবা লমদমসিগী মীতৈ/মৈতৈগা য়েৎনবা লৈতে। মরমদি হিন্দু অশেংবগী হিন্দু লাইনীং লাইশোনগা ঈনাৎকী লাইনীং-লাইশোনগা হীরম সিমদা মান্নে হায়বা মচৎ অমত্তা য়াওদে। অনীসি অমনা অমদা লামশিন্নবা য়াদবা ইতোপ-তোপ্পা মতিক-ময়াই চেন্নবা মশা-মশাগী মশক থোকপা চৎন লোনচৎ অমনি হায়না থমজগে। অমনা অমদা খূৎ থিংজিন্নদ্রবদি অদুনি অদানি হায়দনা য়েৎনবগী মথৌ শুকতা তাদে। কনাগুম্বা লাইরিক ইবা/ইবী; ফম্বাক কুম্মেগী; মমি কুম্মেগী মতাংদগা মতাংগী মতুং ইন্না অদুক মতেক অমা নৎত্রগা মপূং অমগা ওইহন্নীংবদগী মতৌ তম্লগা ব্রাইরুবদি অদুক লৈচল অমা ওইনা ফজবা য়াই। মদু ফাওবদা মীগী মপোৎ মতৌ তম্বা হায়বদুমক্তবু মপূ ওইরিবা মীতোপ্পুগী খুন্নাইগী মীওইশিংনা ব্রারৌরোইদবা/য়েৎলোইদবা মওংদা ওইবা তাবনি। মীগী মতৌ তম্লিবনিদি হায়রগা নাকল অনীগী খুন্নাইশিংদা চন্নফম লৈতবদগী শামরক-ঙামরক তারবদি মদুদা মখল-মখা কয়াগী য়েৎননবগী মরম শোয়দনা ওইরকপা হায়বসি মশানা তারবনি। ফীভমসিমক্লি হৌজিক মণিপুর হায়না লান্না মীরমগী ময়াং গোষাই অমনা নমথাক তৌরগা থোনখিবদা, হরাউনা মতমদুগী করিনো হৌজিক্তা হায়নীংদবা মৈতিংঙুনা য়াথোকখিবদগী, মীরমগী মীতোপশিংনা খূমাঙ চাওশিল্লকইবসিগী চাউরবা মরম ওইরকইবসি। মীরমগী মীসু ওইরগে, লাইনীং লাইশোনসু চৎলগে হায়রবদি-মপা-মপুনি হায়না শন্দোক্লম্বা অদুগুম্বা ময়াং মচাশিংদুগী হৌরকফমগী পারি-পুরিগী খোঙ্গুল লিফম থোক্লোইদ্রা হায়বসি হায়ফম থোকপা ব্রানি। "মীচম ওইনা মথব্রায় হিংনবা লাঞ্জেল্লকখিবা অয়াম্বা ওইবনা কেগেদনা লমজা মোইরাংদনা লমজা শারা ওইবা হায়বা ফীভমদুমক্লি হৌজিক্কী ইরমদমগী খুন্নাইদা মীতৌ তম্লুবদগী য়েৎনরিবসি।" ইন্দিয়াগী ষ্টেট খরদগী, হৌজিক্তনা মীরৈপাক ওইখ্রবা বাংলাদেশতগী অদুঙৈ ইরমদমসিদা চঙলকখিবা মীরম লাইনীং শন্দোক্লম্বশিংগী কাঙখুল ওইনা শেমজিন শাজিনবা 'গোত্র' গী ব্রারীসিবু মফমশিংদু হৌজিক চৎলুরগা খোঙ্গুল লীরুবদা ফংখিগদ্রা, অঙাওবা তাদুনা তোক্লোইদ্রা? মসিদনি মখা তানা 'গোত্র' গী ব্রাফমসি খুন্নাইসিদা ব্রাখলনা শারগা ইরমদম য়েলহৌমীশিং ওইরিবা ঐখোয়গী পারি-পুরিশিংগা করম্না শম্ন হল্লম্মীবনো হায়বসি। ব্রাখলসি খল্লগা ওইথোক্লোইদবা ব্রারী থাদোক্লগা অশেংবা পারি-পুরিগী লেপ্তুনা চেন্থবা ঈচেলগী 'পারি-পুরি খোঙ্গুল লীবা ওইনা শাগৈ-শাগৈশিংগী শাগৈচাশিংনা লমদমসিগী পাউচেশিংগী খূৎথাংদা পাউজেল ওইনা ফোঙনরকইবসিগী শেংলবা পাউখোঙনি - য়েক্কী মহুৎ গোত্রনা শিনফম থোক্তে।" অদুনা মীতৈ/মৈতৈ য়েক-৭, সলাই-৭কী মনুং চন্না লৈবা ইয়েকচাশিং খুদিংমক্লা মীওইপোক অমা হেক ওইরকপদগীনা অমল য়াইথোং কুম্বা ফাওবগী থৌরমশিং পাঙথোকপদা য়েক-৭, সলাই - ৭ পুনবা/মান্নবা য়ূম্নাকচাশিংনা ইশাগী হৌরকলোনগা মরী লৈনবা তিনশোন-লাইশোন, থৌনি-থৌরমশিং পরম চুম্না শোল্লগা পাঙথোকপা অসিবুনি 'অরিবা য়েন্নিং অনৌবা উপালদগী চোংগনি' হায়রম্বসি হায়না থমজগে। লাল্লবসু অখঙ-অহৈ, ইয়েকচাশিংনা ঙাকপীগনি। থমজনীংবা ব্রাখল্লোনদি - "জেনরেটর/ ট্রান্সফোর্মরদগী ইলেক্ট্রিক্কী ঈচেল লৌগে হায়রবদি অহৌবগা অরোইবগা মতোন ওইগদৌরিবগা শোক্ল-শম্নবা, তৎনদবা মরী (ব্রায়র) অমদি শোয়দনা লৈফম থোকপসি "শাগৈগী-য়েক্কী পুকোকশিংনা' ওইফম থোকই। মরী মখোঙ শম্নদবা, ঈচেল নত্তবা ময়াংগী 'গোত্র নায় হায়বা মীতোপশিংদগী তাংজফম থোক্তে" হায়না থমজগে। অমুকসু য়েংমিন্নসি - ময়াং বামোন ৯গী ফিদা থুংহন্নবা - 'খাবা-ঙানব'দগী অমত্তা ওইবসি 'খাবা অমসুং ঙানবা' হায়দুনা অনী থোক্না থুগাইবা অসুম হায়না 'শরাং-লৈশাংথেম' হায়বসিদনা অমুক 'শরাং হায়বা অমগা লৈশাংথেম' হায়বা অমগা থুগায়রগা ২+২=৪, হান্নগী মঙাং, লুব্রাং, খুমন, অঙোম, মোইরাং মঙাসিগা পুল্লগা য়েক-সলাই ৯ হায়দনা অমুক শেমদোক-শাজিনবিরে। মীতৈ/মৈতৈ য়েলহৌমী অশেংবা ঐখোয়বু মীরম মচা ময়াংশিংগী চাওবোক ওইনা চাদা-নাউদানি হেক্তা হায়জিনবসিবো য়াফম থোক্লিব্রা হায়না মরী লৈনবশিংগী মফমদা হঙ্গৎচরি।

মথক্তা হায়জরিবা ব্রাফমসি ময়াং মীরমচাশিংগী চাদা নাউদানি খঞ্জবা মীতৈ/মৈতৈ নত্তবশিংগীদমক্তদি খন্নবদা য়াওদে, অদুনা মখোয়শিংগদি মরী লৈনদে হায়না থমজরে। অইবনা অরোইবদা থমজনীংবা থম্মোয়নুংগী ওইবা ব্রাফম খরদি - মীতৈ/মৈতৈ ঈনাৎকী লাইনীং-লাইশোন চৎচবা মীওইশিংগীদমক্তদি লোইদাম থাজ (পাখংবগী) গী খোঙচৎ, থাজৎতনা শজিবু (শজিফু) থাগী নোংমা পানবা কুমজা খুদিংগী অহৌবা নুমিৎসিবু মীতৈ/মৈতৈগী চহী হৌবা 'চৈরাউবা' হায়বসিখক্তং হায়জহন্নীংই। মসিদগী খজিক্তং থৈদোক্লগা নুমিৎকী খোঙচৎ (সনামহী-নুমিৎ) তনা শজিবু থাগী নোংমা পানবা হায়বগী মহুত্তা শজিবু থাগী নোংমা চনবা (তারিখতি এপ্রিলগী ১৩/১৪/১৫ লিপ য়র লৈবা-লৈতবগী মতুং ইন্না) নুমিৎতা চহী হৌবা- মসিদনা নুমিৎ মশীং ৩৬৫/৩৬৬ শুই অদুগা থাগী খোঙচৎতনা নুমিৎ মশীং ১১ ব্রাৎলি হায়রিবসি য়েৎননীংঙাই ওইদে। খজিক্তং খেন্নবা পোৎশক অনীদা পাদম লৌরগা চহী হৌবগী মওং লেপ্পনি। মশীং ১১ খেন্নবসি খঙলবনিনা থাগী খোঙচৎকা নুমিৎকী খোঙচৎকা ওন্থোক-ওনশিন তৌরগা পাবদা মশীং ১১ তিনশিনবা/খায়দোকপা তৌরগা মীতৈ/মৈতৈগী চহী হৌবসি হৌরক্লোনগী শজিবুগী নোংমা পানবদগী চৎনরকপনা, লমদমসিগী ওইনা চহী হৌবা 'চৈরাউবা' হায়বা অমখক্তমক ওইহল্লগা ময়াংগী/চহী হৌবদদি "বৈশাখ মাসকী সংক্রান্তি - ১দগী অনৌবা চহী হৌবনা ময়াং লাইনীং লাইশোন চৎপশিংগী ওইনদি 'নববর্ষারম্ভ' হায়না লৈজবনা মীতৌ তমনি হায়না তম্লবদি মরীং মরাংবা থোক্তনবা - মপান লমগী মীশিংবু লমদমসিদা শুপ্পা ময়াং হায়রগা খঙনবনা - লাইনীং লাইশোন্না মান্নবশিংগীনা 'নববর্ষারম্ভ' হায়দুনা মীগী মরোন্দা হায়বনা ফগদবা মাল্লি। অদু নৎত্রবদি ঙসিগী খুন্নাইদা য়েৎনবগী লোইবা নাইরোই। মণিপুরগী ঙসিগী খুন্নাইদদি ঙসিগী নুমিৎসি চৎলিবা থাদুগী কয়ানি পানবনো - ফবা, ফত্তবা য়েংলগা থৌরম পাঙথোক্লবা লমদমনি। তারিখকা ইংলিসকী থাগা চান্ননা তৌবা থৌরম খুদম ওইনা ওগষ্ট ১৩, ওগষ্ট ১৫নচিংবা খরখক্তনি। খ্বাইদগী ফবদি 'য়েৎনবা লৈতনবা মীতৌ তম্বা তোক্লকসি হায়বসিমক্তং খঙমিন্নরসি।

*(আর্টিকল অসিগী হৌখিবা এপ্রিল ৯গী ব্রাখল ইহুলগী কলমসিদা ফোঙখিবা হেদ্দিংদা 'য়েৎনবা লৈতনা মীতৌ তম্বা তোক্লকসি-১' হায়বদু* 'য়েৎনবা লৈতনবা মীতৌ তম্বা তোক্লকসি-১' *অদুগা অনীশুবা পেরগ্রাফকী ৩শুবা পরেংদা 'চহী ৩০০০' হায়বদু 'চহী ৩০০' অদুগা ২শুবা কলমগী ২২শুবা পরেংদা লাইশোন নত্তে 'হায়বসি' হেন্না নোংমা নোংমগী চিংখহৌরে অদুগা অরোইবা পেরগ্রাফকী অহানবা পরেং অমসুং ২শুবা পরেংদা 'ইমুং খরগী মীওইশিংনা কোষ্ঠি য়েংবা লাকপদগী য়েংবদা' হায়না পাবিরগা ৫শুবা পরেংদা 'তঙাইফদ্রগনা 'ইপানা' থৌরম হায়বদুনা 'ইশানা' হায়না পাবীয়ু।)*

# এম পি ইলেক্সন - ২০১৯, অচুম-চুমদা করি লৈবগে নৈনবা

ডা. এ কে চিস্তি

হন্দক ইন্দিয়াগী মমিং চৎলবা রাইটর ২০০দগী হেনবনা কুমজা ২০১৯গী লোক সভা মীখল অসিদা লৈবাক অসিগী সিটিজনশিংনা হেট পোলিটিক্সকী মায়োক্তা ভোট পীবিনবা/অমুক হল্লক্তনবা অকনবা ব্রারোল কয়া থল্লদুনা পি টি আইগী পাউ ওইনা 'ইন্দিয়ন কলচরেল ফোরম' অমসুং লোকল পেপর অমদা এপ্রিল ৩ অমসুং ৪দা মথংশিৎনা ফোঙনরকপদগী মণিপুরগী এসোসিএসন ওফ প্রেমিয়র ষ্টেট কোলেজ সেনিয়রশিংগী পূক্লিং/ব্রাখল ফজনা চিংশিল্লি। য়াম্না মতাং চাবা পূক্লিং ইথিল পীবা ঙম্বতা নত্তনা থবক ওইনা পাঙথোকফম থোকপা ব্রারোল অমনি হায়না কম্মেন্দেসন পীবগা লোয়ননা এসোসিএসন অসিগী জে সে ডা. এ কে চিস্তিগী শৌগৎপা ব্রারোল থমজরি।

সিটিজন খুদিংমক **freedom to eat, pray and live as they choose, freedom of expression and right to dissent** কী রাইট চপ মান্ননা ফংহনগনি হায়না ব্রাশক্লিবা লৈবাক অসিগী কন্সটিটুসনবু চেৎনা থাজজরিবা সিটিজনশিংবু অমসুং দেমোক্রেসিবু কন্নবগীদমক্তদি চপ চাবা **opinionated thought** নি হায়নবা চেরোল অদুবু থাগৎলি। রাইটরশিংগী হায়রিবা চেরোলদুদা মখা তানা পনখিবা **"But in the last few years, we have seen citizens being lynched, or assaulted or discriminated against because of their community, caste, gender or the region as they come from"/observation** অদুসু তশেং তশেংবা থৌদোকশিংনি হায়না শীংথাবতা নত্তনা মখোয়না খল্লিবা অদুমক ঐখোয়সু খল্লি হায়না এ পি এস সী এসনা ফোঙদোক্লদুনা অহল ওইরক্লবা হান্নগী ওজাশিং অসিনা হন্দক চোঙথোক্লক্লিবা রাইটরশিং অদুবু মখোয়গী মাউথপিচ ওইনা লৌরে হায়রি।

ঐখোয় লোয়নমক মপুম ওইবা ফুরুপ অসি শাগৎপদা য়াওরিবা পার্টি-পার্টিশিং ওইবা শরুক অমমমদুনি অদুনা **"It is our bounden duty to keep the whole intact structurally and functionally in the comity of nations"** হায়নসু ফোঙদোক্লি। ওজা চিস্তিনা মখা তারদুনা কুমজা ২০০৫-২০০৬তগী হৌনা এসোসিএসন অসিগী ওজাশিংনা ঐখোয়গী ষ্টেট অসিদা চাওখৎলক্লিবা **vibrant democracy** অসিবু মতু নাম্মা ফাওবা শোকহন্দনা ঙাক শেন্দুনা থম্নবা পান্দমদা দিবেট কয়া এসে কম্পিটিসন কয়া য়ুনিভর্সিটিগী লেভেলদা শিনখিবশিং অদুতসু নত্তনা মাস কন্টেক্টনচিংবা কয়াসু হন্না হন্না পাঙথোক্তুনা অনকপা-অরাপ্পা মফম কয়াদা চৎতুনা হান্নগী এম পিশিং- এম এল এশিংগা ফাওবা হীরম কয়াগী মরমদা অমসুং থৌদোক কয়াগী মতাংদা পব্লিক দিসকোর্স কয়া হনবা লৈতনা চোকথবা নাইদনা পাঙথোক্লক্লি হায়না চেরোল অসিদা পল্লি। হীরম অসিগী মায়কৈদা ঐখোয়না হান্নসু আর্টিকল কয়া ইদুনা চেফোঙ কয়ামরুমদা ফোঙদোকখ্রে হায়নসু নীংশিংলক্লি।

অদুনা ঙসিগী চিরবা তাল্লক অসিদা অসিগুম্বা মচং ওইনা মশক থোক্লবা আর্টিকল অসি ফোঙদোকপদা ওজাশিং অসিনা **sovereign country** অসিগী সোলিদরিটি, ষ্টেবিলিটি অমসুং ইন্টিগ্রিটিগীদমক্তা খল্লুরগা চাউথোকচবা অমদি হরাউবা ফোঙদোক্লখি। ঐখোয়গী অপূনবা ফুরুপ অসিগী মনুংদা য়াওরিবা পার্টশিং ওইবা শরুকশিংসি পুকচেল-খোয়জেল তিন্ননা লৈমিন্ননবা য়াম্না মমুৎ তানা খন্থ্রগা প্লান এন্দ ষ্ট্রেটেজি অমা পুথোকপা হায়বসি য়াম্নমক তঙাইফদবনি হায়নসু ওজাশিং অসিনা খল্লি।

পান্দম অসি ফংনবগীদমক ওজাশিংসিনা হান্নদগী হৌনা ইতৎ তত্তনা পন্নদুনা লাক্লিবা 'এসেমব্লি/লোক সভা কন্সটিটুএন্সি খুদিংমক্কী হোম এসেমব্লি অমমম লীংখৎপা' হায়বসি লৈবাক শিনবা থুংনা নৎত্রগসু ষ্টেট অসি শিনবা থুংনা চাংয়েং অমা তৌহন্নীংবগী অপাম্বসু ফোঙদোক্লি। ঐখোয়গী লৈবাক অসিদা লৈমিন্নরিবা সিটিজনশিংসিদা ফাওরবা **academics, playwrights, authors, film-makers, artists, musicians and other practitioners in different fields of interest** কী মায়কৈদগী য়াম্না ফোর্সফুল ওইনা তৌরক্লিবা আপিল অসিবু শৌগৎলদুনা মণিপুরগী ওজাশিং অসিনা ইলেক্টোরেটশিংদা মখোয় মখোয়গী **conscience and collective wisdom** দু চুম্না শীজিন্নদুনা মখোয়না চহী মঙাসিগী মশা-মশাগী থৌদাং ওইনা ভোট পীবদা অশোয়-অঙাম য়াওহন্দনবা য়াম্না চেকশিন্নবা হায়রি। এসোসিএসন অসিগী ভিয়ু পোইন্ট অসিমক্লা হন্দক্কী কুমজা ২০১৯গী এম পি ইলেক্সন অসিদা শাফু অমা চপ চানা পীনবা সিটিজনশিংগী মফমদা থম্মোয় শেংনা লান্থোক্লি। দেমোক্রেটিক সিষ্টেম ওফ গভর্ণমেন্ট অসিদদি পিপলগী শেংনা হায়রবদা ইলেক্টোরেটশিংগী ফুল পার্টিসিপেসন অদু মীচম মীয়ামগী থবক পাঙথোকপদা তঙাইফদনা য়াওহনগদবনি। অদুগা লোয়ননা মশা মশানা ব্রানা তাঞ্জবা শেনফমশিং অদুদগীসু খরা টেক্স ওইনা খায়গৎতুনা পুকচেল খোয়জেল তিন্ননা থবক তৌমিন্নগদৌবনি। অদুবু হৌজিক থবক ওইনদি ওন্থোকপা মওং অমদা অদুম চথনরি। মীচম মীয়াম্নদি ভোট থাদবা ওইনা চহী মঙাগী মতুংদা অমুক্তং হকথেংননা য়াওরি। নীংতম্লবা মতুং চহী ৭০ অসিদা লৈঙাক পায়খিবা লৈঙাকলোইশিং অদুনা লৈবাক অসিদা সোসিও-পোলিটিক্স এন্দ ইকোনোমিক্কী লম্‌দা জষ্টিশ তৌখ্রে হায়বা য়ারোই। অদুতসু নত্তনা মখোয়না সেক্সন খুদিংমক্কী মীয়াম্বু ইক্কেল ষ্টেটস এন্দ ওপোর্চুনিটি পীরে হায়না ক্লেইম তৌবসু ঙম্লোই। মদুগী মরমসু অঙম-অথৌ য়াইতোং-ফমদোংবা মখোয়তনা খঙবনি- খঙনা খঙনা লৈথোক-লৈশিন শান্নরিবনি। অদুনা হৌজিক্তি ঐখোয় ইশানা খুন্নাই অসিনা সেল্ফ ইন্ত্রোসপেক্সন অমা চথদুনা অশোয়বশিং চুমথোকহৌদবা য়াদ্রবনি। চহী ৫গী মনুংদা অমুক্তং ফংবা খুদোংচাবসি লৌবা ওইনা হন্দক্তি ইহান হানবা ওইনা লোক সভাগী এম পি খনবদা হান্না লানখিবশিং অদু অমুক হন্না থোক্তনবা ঐখোয়না অচেৎপা ব্রারেপ অমা লৌফম থোক্লে। ঐখোয়না চেকশিনহৌগদৌবদি কেন্দিদেটশিংনা ভোট ময়াসিদা ঐখোয়বু লুনা-চান্না তৌবা অমসুং লৈশি-লৈথোন্দুনা হায়জ-নোঞ্জরবা ময়াম অসিনা ঐখোয়বু চমম্নহল্লোইদৌবনি অমসুং ঐখোয় য়াম্না চেকশিনহৌগদবনি। সেল্ফ রেসপেক্ট এন্দ রিগার্দ ঙাক্লা থম্বনা অতোপ্পগী রেসপেক্ট কম্মান্দ তৌনবগীদমক্তদি খ্বাইদগী মরু ওইবা পাম্বৈনি।

অসুম্না অত্মা বিশ্বাস লৈজবা চেকশিনবা ভোটরশিংবু **prudent** ওইবা কেন্দিদেট অমত্তনা শেল থুমদা মিকাহল্লগা লাং থাকপা, মিসলিদ তৌরগা কম্যুনেলাইজ তৌবা-ধমকা তৌদুনা বুথ কেপচর তৌবা অমদি মশানা পাম্বা কেন্দিদেটতা ভোট থাদহন্দনবা দিষ্টর্ব তৌবনচিংবা নমথাক ময়াম তৌনবা মোরেল করেজ অমত্তা লৈরোই। ঐখোয়না পোলিটিক্সকী ওইবা লমদনবা কেন্দিদেটশিংদুগী অফবা মগুন **virtue** শিংদুদমক য়েংগদবনি। **competency, Honesty and Integrity (CHI) should be the qualifications for the candidates to be elected democratically for the job. Incompetent representatives will be misfits.** অসিগুম্বা মিসফিটশিংগী কেটেগোরিসিদগীনি ইলেক্সন তৌরমদাই খুদিংগী পার্টি টিকেট তান্নরকপা মতমদা ঙাইহাক লৈতনা মচু হোংবা **fortune seeker** শিংসিনা ইকায় ইকি খঙদনা কোয়চেন চেন্নবা কোয়চোং চোংনবগী কুম্মে অসি ইন্দিয়াদা ফেনোমেনন অমা ওইনা ইতৎ-তত্তনা উনরিবসি। ফেনোমেনন অসিমক্তি মশাগী **conscience and CHI** য়াওদবা পোলিটিসিয়নশিংগী মাইন্দসেট অদুমক্কী রেফ্লেক্সন নত্তনা করিসু নত্তে। মখোয় অসিনা **national prestige and image** তা ইতৎ তত্তনা খুরৌ থাংজিল্লক্তুনা চমম্নবা ফীভম ময়াম থোকহনখিবগী রেকোর্দ কয়া লৈরিবসিনি (পার্লিয়ামেন্ট হাওস অনীমক্তা) চরাং-খোয়রাংনবা কয়া থোকখ্রিবশিংদুনি। মসিগুম্বা মীওইশিং অসিনা পার্লিয়ামেন্টতা চহী ৫ লৈথোকখিবা হায়বসি ওন্থোক্লা পাম্মুখ্রবা মতমনি। অদুবু সী ঐচ আই সার্টিফিকেট ফংজবা রিপ্রজেন্টেটিভশিংনদি হায়রিবা নেগেটিভ এক্টিভিটিশিং অসিদা কৈদৌঙৈদসু **indulge** তৌরক্লোই। মসিমক্তনা এ পি এস সী এসনা কেন্দিদেট ওইগদৌবশিংগী ক্বালিফিকেসন অমা লেপথোকপা হায়বসিমক তঙাইফদ্রবনি হায়না খঞ্জে।

কন্সটিটুএন্সি খুদিংমক্তগা হোম এসেমব্লি অমমম লীংখৎপা হায়বসি ইলেক্টোরেটশিংগীদমক্তদি দেমোক্রেটিক দিসিজন মফম মতম চানা লৌনবগীদমক্তা অমসুং মরু ওইবা ব্রাফম খুদিংমক গনতন্ত্রিক ওইনা খন্ননবগীদমক্তদি হেনফদ্রবা খোঙথাং অমনি। ব্রাফম অসিগা মরী লৈননা কুমজা ২০০৬-২০০৭তা মতমদুগী প্রসিদেন্ট, প্রাইম মিনিষ্টর অমদি **2nd administrative Reforms Commission of India** দা খন্নবিনবা পীশিনখিবা অদুগা লোকল দেল্লি পেপরশিংদা ফোঙখিবা ব্রারোলশিং অদু অমুক নীংশিংদুনা পল্লক্লি। অতৈ অতোপ্পা মরুওইবা থবক কয়ামরুমগা ইরোয়ননা এসোসিএসন অসিনা দেমোক্রেটিক গভর্ণমেন্ট অমা থম্নবগী লমদা লৈবা **Parametric Constraint** শিং অদুদা চেঞ্জ অমা মফম অমসুং মতমগী মতুং ইন্না পুরকপদসু হোম এসেমব্লি অসিনা চপ চাবা থৌদাং লৌবা ঙমগনি হায়রি। দেমোক্রেসি য়োকখৎনবগীদমক্তা এসোসিএসন অসিনা মিসন অমা ওইনা কুমজা ২০১১দা হীরম অসিগা মরী লৈননা আর্টিকল কয়ামরুম ফোঙখিবা নত্তনা লোইজিং-লোয়া কয়াদা চৎতুনা মফম মফমদুদা লৈবা মীওইশিংগা ব্রারী-ব্রাতাই তৌনবা অমসুং **Ex-MLAs, MP and other different sections of the population** গী রিপ্রজেন্টেটিভ কেরেক্টর লৈবা সিভিল সোসাইটিগী মেম্বরশিংগা খন্নখিবদসু ওজাশিংগী **Proposition** অদু শৌগৎনরকখি। হায়রিবা সজেসনশিং অসিবু থবক্তা ওন্থোরক্লবদি মদুমক্লা দেমোক্রেসিগী **bedrock** ওইরনি হায়বসি মখোয়না তশেংনা য়ানরবনি। ষ্টেপ অসিখক্তমক লৌখৎপদা দেমোক্রেটিক গভর্ণমেন্টকী **Titular Master** দমক ওইনা লৈরিবা ইলেক্টোরেটশিং অসিগী মপাঙ্গল তশেংনা হাপকৎকনি। হায়রিবসি মতৌদ্রবদি হৌজিক্কী সিগুম্না সিষ্টেম অসি লেংবা-ওৎপা ঙমদবা, মরোল মরী থোক্তবা ওইনা অদুম লৈগনি।

ইলেক্তেদ রিপ্রজেন্টেটিভশিংগা ইলেক্টোরেটশিংগা কোক চুংশিন্নদুনা দেমোক্রেটিক ওইবা মওংদা হীরম খুদিংমক্কী ব্রারেপ লৌরবদি হোম এসেমব্লি (ঐচ এ) গী পার্ফোমেন্সতা অশোয়-অঙাম অমত্তা থোক্লোই। হোম এসেমব্লিগী পান্দমদি **Procedure and Protocol** অসিমক মতম পূম্নমক্তা চৎনহনবনি। অসুম তৌরিঙৈদা রিপ্রজেন্টেটিভ সী ঐচ আই অদুসু মতম মতমগী টেষ্ট তৌহৌবা ঙমগনি। অসুম্না চহী ৫ ঐচ এদা পূন্না থবক তৌন্নিবদা কনানা কয়া য়াম্না থৌনা ফনা, হৈশিংনা পার্টিসিপেট তৌবগে হায়বদু ইলেক্টোরেটশিংনা খঙহৌরগনি। মসিমক মথংগী ইলেক্সনগী ওইনদি ক্রিটিকেল ইভাল্যুএসন তৌবা ঙম্নবা খূৎলায় অমনি। মসিদগী থোক্লকপা চোইস অদুসু লাল্লরোই অদুগা কন্টেষ্ট অদুসু ফ্যের ওইরনি। অদুনা সী ঐচ আইগী স্কোর খ্বাইদগী ব্রাংনা ফংবা কেন্দিদেটতুনা অদুম কাখ্রগনি। ইলেক্সন কম্মিসন অমসুং কেন্দিদেটশিংগী খরচ অদুসু মমীংতগী ওইনা তৌরনি।

হৌজিক হৌজিক লৈবাক অসিদা প্রেক্টিশ তৌরিবা সিষ্টেম অসিগী **existing modus operandi** অসিগা অনৌবা প্রোসিদ্যুর অসিগদি য়াম্না থীনা খেন্নরনি। হান্নদি **MPs and MLs** শিং অসি সী ঐচ আইগী সার্টিফিকেট অমত্তা য়াওদনা ইলেক্ট তৌরম্বনি অদুগা লেজিসলেটরশিংগী মরক্তগী অমবু চীফ মিনিষ্টর/প্রাইম মিনিষ্টর ওইনা খনবনি। অদুগা মহাক্না লোইনা খঙলবা হৈরবা ওইনা লৌদুনা পূম্নমক্কী মথক্তা লৈবনি হায়না লৌনরে। মখোয়না খল্লিবদি ইলেক্টোরেটশিংনা মখোয়বু খল্লবনিনা সী ঐচ আই সার্টিফিকেট ফংঙেসিনি। কন্সটিটুসন্নসু মখোয়দা পব্রর, প্রিভিলেজ এন্দ লিগেল প্রোটেক্সন কয়ামরুম পীদুনা মখোয়বু ইলেক্টোরেটশিং অমসুং অতৈ পূম্নমক্কী মথক্তা লৈহল্লে। কনানা মঙোন্দা ভোট পীখি/পীখিদে থিদনা কন্সটিটুএন্সি অদুগী ইলেক্টোরেটশিংবু চপ মান্ননা লৌরগা থবক তৌনবা রেসপোন্সিবিলিটি অদু কাউশিন্নখ্রে। পার্টি ইন্টরেষ্টনা লৈবাক্কী ইন্টরেষ্টকী মথক্তা লৈবা য়াদে হায়বসি মখোয়না মব্রা লৌদে।

ইলেক্সন হেক লোইবগা কন্সটিটুএন্সি অদুগী মরমদা খনবসু লোইখ্রে। মখোয়দি ষ্টেট নৎত্রগা নেসনল কেপিটেলদা লৈখ্রগা মশানা পাম্বা থবক কয়ামরুম তৌদুনা লৈনখ্রগনি। ইলেক্সন লোইরবদি ইলেক্টোরেটশিংনা তৌনীংঙাই করিসু লৈত্রে। চহী ৫ অমদি মখোয় য়াকাদুনা য়েংবা তাবনি। ফীভম অসিদা কনানা কনাগী মরাল থিবা ঙমগনি। তশেংবদি মসি ইলেক্টোরেটশিং অমসুং ইলেক্তেদশিংনা থোকহঞ্জবনি। ঐখোয় ইলেক্টোরেটশিংনা **miserable condition** অসিগীদমক্তা ইশাবু ব্লেম তৌজগদৌবনি। প্রাইমাফেসি ওইনদি ঐখোয়গী রিপ্রজেন্টেটিভ খনখিবদু ঐখোয়গী রেসপোন্সিবিলিটিনি। মা মশানা ঐখোয়গী রিপ্রজেন্টেটিভ ওইনা নৎত্রগা মিনিষ্টর ওইনা খনখিবা নত্তে। মতম শাংনা সুম চত্থরকপদগী চৎনবী অদুম ওনখ্রে। অসুম্না সুম চত্থরবদি লৈবাক অসিদা হৌজিক হৌজিক কাং-খোং চাইরিবসি শুকলোই লোইররোই।

মরোল থোকপা লাই



*পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ব্রারেংশিং অসিগী ব্রাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ব্রাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।*